য়াকৈরোল

—ইথোকচবা—

ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিগী মতেংনা ফোঙবা

য়াকৈরোন

—ইথোকচবা—
ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র

অফোঙবা :-

পিপলস' ম্যুজিয়ম,

ককচিং।

অহানবা ফোঙবা : ১৯৮৬।

কোপী মশীং : ১০০০।

ফংফম থোকপা 'পুথী' 'পিপলস' ম্যুজিয়মনীমি।

Printed at - MALEM PRINTERS KAKCHING, MANIPUR

ৱাহৈ থৱদং

মৈতৈগী অরিবা পুযাশিংগী মফুংদা "যাকৈরোন" হায়বা মৈতৈ নযেক্কা মৈতৈ চেদা ইদুনা থন্বীরম্বা অসিমু অনি।

পুয়া অসিদা তাক্লিবা মপুঙ ওইবা ৱাৱীদি, নাকনাইদা উচেকশিংনা খোংলকপদা লম লম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা অহিং ওইরম্বদগী নোংডাল্লক্লে খঙনবা তাকপা মতাংনি।

হায়রিবা উচেকশিং অসিগী থৌদোক ৱাথোক অমস্থং নোং-ডাল্লকপদা খোংবগী মরম তাকপগা লোয়ননা মখোয়গী মমিং করম্বা থোনথিবগে হায়বদু কজনা ইবি। পুয়া অসিনা উচেক-শিংগা মীওইবা জাতিগা লৈনরিবা মরী অমস্থং মতম অদুগী সমাজগী চৎনবী শক্তম কয়া খঙবা ঙম্মী। মৈতৈ নিংথৌশিংগী তুম্বা হৌগৎলমদাই মতমদা যাকৈরোন শকপা অসি চৎনবনই। উমং লাই হবাউবা মতমদসু "যাকৈরোন" পেনা শকপা ওজা-শিংনা থোগন তৌদুনা হৌজিক ফাওবা চৎথদুনা লাক্লি।

মমল যামলবা পুয়া অসিবু ফংহনবিরিবা ইযাম্বা কে, ঐচ, নরান জ্যোতিষ, ৱাইখোং অমসুং ককচিং খুল্লেন্দা লৈবা ঐগী মরূপ নোংমাইথেম কুঞ্জো অনিদগী যাকৈরোন খুৎইদা ফংজে। লাইরিক অনি চপ্পদুনা হেংবদা থোইদোক্কা খেন্নদে। লাইরিকী

লোইশিল্লকপদা "পেনা শকপশিংনা লাইগী য়াকৈবদা শকপা" হায়বা শৈশক অসিস্তু ককচিং থুলেন্দা লৈবা যেন্দ্রেম্বম নিলসিং পেনাগী ওজাদগী শৈশক্ ওইনা তারগা ইথোকচবনি। মমল য়ামলবা লাইরিক অমস্তুং শৈশকপু ফংহনবীদ্রুনা ফোঙদোকপগী থৌদাং পিবীরিবা মরুপ মপাং ওজাশিংবু তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

লাইরিক অসিবু নম্বগী অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা "মালেম প্রিন্টর্সকী প্রোপ্রাইটর" অমস্তুং স্টাফশিংবু থাগৎচরি। অরোইবদা লাইরিক অসিদা অরান অহুই যাওরবস্তু তাকপীরকপগী মতুং ইন্না মথংগী খুৎনমদা চুমথোকচগনি।

নোল্লুকচরিবা -
মযাংলম্বম গৌরচন্দ্র
ককচিং, তাং ১৭/১০/৮৮।

--[** ** **]

য়াকৈরোল

হয়া হে ইপুংথৌ কৌপা চিঙনুং সোযরকলপাতা চিঙখোঙ যাকৈপাপু লৈয়ে। আতর খোইযাংপন মাল্লমমাঙতা। থাঙড্রা উপুলসি তেরা কঙলঙ মযতা য়াকৈপাতী। সারা লুমলেলতাঙ। লুমলা পাফনথৌ। চেকলা লুমলেলতু। থোংনাং তানতে ফি-সাপানা ওনখিচেক। মায়াং মানিংথৌ লোকফঙপানা। চযলয় ফিসিঙ সিঙনাঙয়দা। থোংনাং তানতে ফিসাপাপু। থোংনাং কতাপান মায়াং নিংথৌ ফিপু। কোলৌ লুমিং ওতা চযলয় ফিতোল লোমও। ইহোং লাইচি ককতারাবিতামক। থোংনাং মানিংথৌনা। থাঙলেল কোমসংপা। লাংকোই সারিথোকপাপু। সোংকিয়াপাকি। থোংনাং কতাপালপু নমনাকনা। মাযাং নিং-থৌফিপু মোয়তোমনা। সোইলেল ফুমপি চঙনা ওনখিচেক। সারা লুমলেলতাঙ। লুমলা পাফনথো। চেকলা আতু মাচন খাইনুমল। খাইনু লাইসেং চেকও। কৌপাতি ক্বাতৌনোংকিনো। হয়রেম থুনচাল নিংথৌ লুমচেং তাওপাকি। মামোম খাইনু লৌথিপিনা। নোংযাই মারমখইতা। লেমলয় ঙাতারুপাপু।

কৌপা চিঙনুং সোয়রকলপাতা = নোংঙাল্লকুবদা। চিঙখোঙ য়াকৈপাপু = নোংঙাল্লে হায়ববু। হয়রেম থুনচাল = মণিপুরগী মখা মায়কৈদা লৈরম্বা অরিবা কাঙলুপ অমা।

নোংয়াই খুমল নিংথৌ আতোল পুলসিপানা। নঙতি কাতৌপা লেমলয় ঙাহুরাপানো। হায়না রা তাথিখিয়ে। খুনচাল থাইন্ন লৌখিপিপু। য়ুমলক নাইকাপাকুম ফারেরে। কুরাও হংকাচলনা রাতাথিখিয়ে। হয়রেম লুমচে তাওপানা। মুমিতাং তাংলৌ থেঙলাপাতা। মামোম থাইন্ন কৌপিপু মারাল ওনতেরকতালে। হায়পাকিতামক। মাতু নিংথৌ হয়রেম লুমচংতাওপানা। খুনচাল সিঙচারাইকোইপা। হয়রেম য়েনলাং থৌচংপাসিংতা পাওহং-খিয়ে। ইতাইরেমসিংও। ইমোম থাইন্ন কৌপিপু। য়েনলাং থৌচংনাতা। সিঙচা রাইকোইনাতাপা। আসি কোরৌ মুমিং-মাতা। লেমলৈ ঙাথিখিপাপু। মারান ওনতেরকতারে। ইমোমপু মিংযেং সানকৈরমপারা। হায়না পাওহংপাপু। হয়রেম লুম-চেংতাওপাও। নামোম থাইন্ন লৌখিপিতি। নোংয়াই খুমল নিংথৌ আতোল পুলসিপানা। কুরাও হংকাচলনা থৌখানলৌরে। হায়না পাওতাকপ্লাপাতা। হয়রেম নিংথৌ লুমচেংতাওপানা। আচেন লোকলৈহৌনা। ইলতালখিযে। ইমোমকিতামকপু। কাওরেল সলথাকে। তায়ম নাইথাকে হাযখিরে। হয়রেম লুম-চেংতাওপানা। পাথৌ নোংযাই খুমল নিংথৌ আতোল পুলসিপাও। ইমোম থাইন্নপু। লাইসেংপিও হায়না। কাওরেল সলথাকে। তায়ম নাইথাকে। ৭ সেলমি নাইতাপা। সেনচাও পাললোং-

---

মারান ওনতেরকতারে = মযুমদা হল্লক্করে। মিংয়েং সান-কৈরমপারা = উরমবরা। কুরাও হংকাচলনা = খোঙ খুৎ পুম্না। আচেন লোকলৈহৌনা = চেন্দুনা। লাইসেংপিও = থাদোকপিয়ু

থোইতাপা। লাংপল নোংনোল চলতাপা। তলতু মায়রেন হৌতাপা। থান্নাল নোংলৈ উত্নাপা সেলপু। ৭ মামল নাইতানা ইমোমপু লাইসেংশিও। হায়না পুনেমপাপু। আতোল পুলসিপানা রাওইখিয়ে। পাথৌ হয়রেম লুংচেংতাওপাও। নঙকি তায়ম নাইসমসাং। কাওরেল সলমৈসাংনা। ঐকি লেমলৈ ঙাহুরাঙে। নামোম থাইমু লৌথিপিনা লেমলৈ ঙাহুরাযে। নামোমপু লাই-সেংরালোই। হাযনা রাকনলাপাতা। হয়রেম লুমচোংতাও-পানা। আনৌপা পাওখুমখিয়ে। পাথৌ নোংয়াই থুমল নিংথৌ আতোল পুলসিপাও। খুনচাল ইপুঙয়ায়তাকি। হয়রেম চাপু-তাপারকতাকি। চেংলৌ সকওই হেনপি। পুমুংলিলনা ঙালপি। সমচিলাকপি। চোমমায লাংপিপু। হয়রেম চাপু তাপাপুংতা। পাথৌ নিংথৌ চেংলৌমিৎচুপাপু। খনপিও। ইমোমপু লাই-সেংপিও। হায়না রাহমপাসুঙ। নোংখুমল নিংথৌনা রাকনখিয়ে। পাথৌ হয়রেম লুমচেংতাওপাও। নওকি হযরেম চামুরা আঙেং-পিতি। মাপল হযরাঙ মাসিংতং। তাওচিঙ গৈহয চারিঙযনে। নামোম লাইসেংলারোইয়ে হাযখিযে। হয়রেম লুং চেংতাওপানা মারাল ওনতেখিরাপাতা। নোংয়াই মারমথে। মাযম বোংপাতা হেকঙাইপা সলচোলপাল। হাওতঙপোক লাইমলপা সলচিং রমতা। হয়রেম লুমচেংথোপানা। মরাল ওনতেলকপাতা। খোয়মা নারোলমুংতা। য়োয়মায়াই তাওতলপানা। মুমিৎ মাতাং তেনলাপাকি। খোয়মা নরোলমুংতা। মালৌ সঙাই

পুমুংলিলনা ঙালপি = মশক ফজবা, লৌশিংশিবা।

লাবশিচা লাহিপতম কাঙপি নমজালনা। য়াওরা পুরোয় চকমোম লাংচালকতা। খোয়মা লকাথুজনা। যাতারিঙয়তা। ইমোম খাইলুবুঙ। নোংয়ায় মাপুঙ য়ায়তা। কুরাও হুংকাচলনা লালনংজোরে। এবুঙ য়াবা পুচারক চকমোম লাংচালক আসিতা। আমি ইহুংমাতা। পালপাবা চিলকোয়চল। কে-রেলনা য়াথোঙপিনাপাপু নেংহায়কে। তাঙচা লিললায়িখি নোংকোল লেয়নবৈ। লিলা সোকলাম্লিপা চয়লথ ফিহায় ভুমতাপানা ঙমপালপাপু নোংহায়কে। হায়না কোলৌ থোয়নায়েং। রাঙপল পাংলা য়েংনা। মিৎয়েং নাওঙ্গুমখিয়ে। খোমলেন ক্লুমকনখিপাপু। চিঙঙ্ নোংথৌ সরারেল আয়াং ফাখঙ্ য়োইরেলপানা। কো-লৌ নোংলাংপালকি। কোলৌ থারপনা। রাঙপল খাথানানা। পাওমেল থাবকয়ে। হয়রেম লুমচেংথোপাও। নাতাইরেম য়িম-নিঙ ভাকনা সোয়রেল পাংলমতাপানা। নাবা কোঙকোইবাংনা হৈরোৌপাচেক। থোংনাং তানতে মিসাপানা ওইখিচেক। সাবা লুমলেলতাঙপু লৈপানে। পোলচেম লৈচম থন। কোংয়াঙ পৌতোং লোননা। নামোমপু লাইসেংপকও। হায়না পাওমে-ললকয়ে। হয়রেম লুমচেংতাওপানা। চিঙঙ্ কো ন লৌ য মাতিলমেলকি কোপা সোয়লম সোয়তানা। চিঙলেল ভাললম ভালতালিঙে। হয়রেম মাপালমপু খিলতালখিয়ে। মাতাইরেম

চকমোম লাংচালকতা = লাংশোংমরক্ত। কোলৌ নোং-লাংপালকি = নোংদোল। কোংয়াঙ পৌতোংলোননা = পাবোং শেমরুনা।

য়ুমনিঙ ভাকপা। সোয়রেল পাংরমতাপানা। নাওন্না কোঙকোই লাংনা হৈলৌপা আতুপ্পু। হয়রেম লুমচেংথৌপানা। পোলচেম লৈচমখন। থিঙলৌ নিংতেনা। নোংয়ায় মাপুঙ য়ায়তা য়িলতাল-থিয়ে। থুনচাল নিংথৌ লুমচেংথৌপ্পনা পাওমেলথি। পাথৌ নোংয়ায় থুমল নিংথৌ আতোল পুলম্লিপ্রাও। থোংনাং তানতে ফি-সাপানা ওনখিচেকনে। লুমলা পাকনথৌ অসিপু। পোলপি সোঙতা-পা। চেকলা ওনথোকপা চেকনে। ইমোমপু লাইসেংপিও। হায়না আনৌপা ৱাহমচারাপাতা। নোংয়ায় থুমল নিংথৌনা। হয়রেম থুন-চালচম্ম। মামোম থাইম্মু লৌথিপিপ্পু। লাইসেংপিরকলে। আতু-নোংকিপু থুনচাল থাইন্নুমল। থাইন্নু লাইসেংচেকও তেনা কোয়ে। থোংনাং তানতে ফিসাপানা। মায়াং নিংথৌ ফিপু নমনাকনা। থোংনাং কতাপানপু থোযতোমনানা। ওনখিচেক। সারা লুম-লেলতাও। চেকলা লুমলেলম্মুনা। কেকে পোংম্মুনা মুকোনপা মাসোয়মাঙ। তৌমু পালফোইয়া। সোয়রেল ফুমপিথকতা। চাকতাপাপু। পোলপি মাঙাইরোয় চেকলা মাহিসাং মাসেলপু ৱাথননাথিয়ে। পোলপি য়িঙাইলোযসিংও। আসি কৌলৌ নুমিৎমাতি কাতায়তা য়াকাসে হায়পা। নোংয়ায় মাপা লাঙ-কমপা। খোঙপু লাঙকম কোঙঙাপা। কংলয় মাম্নুম মাঙতা য়াকাসে হায়পাম্নও। মারুমপি পোংম্মু য়েনকম চাম্নুনা। তাওচিঙ হয়কুম সিনলে। ঙাইরোং সিংকুম সাযে। মুমমাও মৈথুতে।

সোয়রেল ফুমপিথকতা = পাংতা লৈবা ফুম মথক্তা।

নামু পোংতিলতে। কাতৌপা য়াকাসিপানে। আতোল খোইয়া লযকংপা মাংমমাঙ। থাঙতা উপুলসি। তেরা কংবংমৈতা য়াকাসে। হাযনা নিঙথননাখিয়ে। চেকলা লুমলেলতুমু মাতোম নিংথনতে। পোংমু মাচম কুরাও তাওপি সালওনচেক। আতোল থমপা মাঙতা চাকথোকপা। থুমল নালচেলপম। লৈপামতা চাকতা চেকনা। ফেনচি ইকোপ লাইপলসোয়তা। সোয়রেল ফুমপিথকতা। চাকতাপাতা। চেকলা মাতাইলোয় মাসেল। রাথননাখিয়ে। পোলপি ইতাইরোয়। পোলপি ইহিসাংসিংও। আসি কোবৌ মুমিংমাতি। নোংয়ায কৌপানাঙ। আতোল তমপা মাসুমাঙতা। য়াকাসে হাযপাসুঙ। সুমায় মৈথুতে। নামু পোংতিলতে। আতোল খোইয়া লয়কংপা মাসুমমাঙ। থাঙতা উপুলসি। তেরা কঙলং মৈতা। য়াকাসে হায়না। নিঙথনলাপাকি। আতোল খোইযা লযকংপা মাসুমমাঙ। থাঙতা উপুলসি। তেবা কঙলংমৈতা। চেকলা লুমলেলতু। থৌপাল উফোঙফোঙলাংমৈকা। পোলপি খোংতিলনা। চেকলা তুরোননানা। য়াকাপা চেকনা। ইনুংকৌপাচিঙনুং সোয। সোরা তৈনা ঙনলকলাপাতা। চিঙখোঙ য়াকৈরকলে। চেকলা নমরম যেংলাপাতি। নমরম ঙালপাচেক। সারা থারম য়েংলাপাতি।

ঙাইরোং = য়েনশাংদা থাক্রবা পানবী অমা মথল।

মাতোম নিঙথনতে = মতোম্মতা খনদে। মমু পোংতিলতে = মীয়াম ভিনদে। ইনুংকৌপা চিঙনুংসোয় = নোং-

থারম ভালপা চেক। সাবা লুম্লল তাঙকা। উপোঙ পোঙ-লাংমৈকা। চিঙখোঙ য়াকৈ তমলে। কৌপা চিংলুংসোয। সোরাতৈনা ওনলকলাপাতা। চিঙখোঙ য়াকৈপাতি। আতুম্লুঙ মাতোমতে।

চিঙযায় চাহুইরোং। লময়ায় লৌখৈ নিংথৌপা। হুপসিং নোং-তম খোংপাচেক সঙতিঙ লোনঙাঙপা। সাবা নাওফঙচা। সেল-চা হায়হৈপানা। চিঙখোঙ য়াকৈতশ। সেলচা হায়হৈপানা। কোলৌ নোংথাঙকোল। লুংনাং কাওখঙকোলতা। নোংপা-ললোন নামোইমু অহোঙপিপু। কাওচা চংঙৈ। চিঙঙু নোং-থৌ সরারেল। মামোমলোলপু মললা রাহললুঙতা। আবাং কাখঙ য়োয়লেলপানা। সেলচা হায়হৈপাতা। সঙতিঙ লোনঙা-ঙপাপু। ললকুচেকা। আতোল নোংয়ায় লমা সঙতিঙ ভালপি। কমপোংথেম চামু। নাপা নারুম কাঙপিনা। য়েং-যচাল চেকও কৌপাতি কাতৌ নাংকিনো। ওইমু সেংপারাচা। লময়ায় লৌখৈ নিংথৌপা। চিঙযায় চাহুইরোংকা। ওইমু মারুমপি। সঙতিং লোননৌতাপিকা। চেকলা মাপারি সাবা নাওফঙচাকা। কৌপা চিঙলুং সোয লোযযা তমলোল ভাললক-

---

ভালক্রবদা। সোরা তৈনা ওনলকলাপাতা = নোংভাললক্রবদা। আতুম্লুঙ মাতোমতে= অসিদস্থ নংতে। কোরৌ নোংথাঙকোল লুংনাং কাওখঙকোলতা— নোমদোল অতিয়া।

লাপাতা। নোংয়ায় মারমথৈ। রায়বং চিংগুামাংঙ। খোৗপাল সোযথুগ মাঙতাপা। চেকলা মাথংলেল। শিঙয়ার চাহুইরোংনা। রাহমখিয়ে। তানলায ইকমপি। সঙতিঙ লোননোতাপিও। নঙতি সমু তুংতা কোললো। নাথংলেল ঐতি। সমু মাঙহোল নাকে। পাংথি নমতমনাকে। নোংয়ায় লাংতমপা। আতোল লাংসেমপা। মারাংকমপু। ঐ হালনা মিংয়েং সানকৈকে। য়াংলো লমকাচিংনা। খোয়মা নাথায়কে। নঙতি মারা ইথোঙ-খুলপু যিললকও। ইপারিকা সংলো কুমমানাপাতা ফুমলো তামানাপা। পাবি সারা নাওফঙচা আতোলপাতি। মাবি লিথঙতা মালাংলাং থঙতাবিংনে। সমু য়ায়তা চংস্থনো। হায়না রাহমখিযে। চেকলা মাথংলেলতি। মাঙতাচং। মাকমপি। সঙতিঙ লোননৌতাপিতি। সমু তুংতাকোল মপারি সারা নাওফঙচাতি। যাইতাচং। নোংয়ায সঙলো কুমপাতা। আতোল লৌরি সুংতাই কাল পাতা নোংযায আকাংচম লাংতমপানা। নাওখমপা লিলোলাং। পাথং সংকাই তনোলাং। লিবেল তাং-মালাং। ওকসোং পুমতালাং। নাওরা কোঙকোইলাং। ফৈপাক তামুললাং। লাফুং ফমচিংলাং। নাবক সোলচিললাং। সললম কৈতিংলাংপু লাংথাক ঙামলাপাকি। ওইমু হামপোইনা। চেংলো

সমু তুংতা কোললো—তুংদা চংলু। সমু মাঙহোলনাকে—মাঙদা চংকে। য়াংলৌ লমকাচিংনা — মাঙ চিংহুমা।

য়াকৈরোল

মিংয়েং সোয়লাপাক্পি। মাপাগি সংলৌ কুমমানাপা চেথলাপু। নাওথ মপা লিলৌলাংনা। লিথুলৌলে। তাকাওচম লাংহৈপানা হৈ-হৌরে। লময়ায় লৌখি লিংখৌপা। চিংথায় চাহুইলোংপু। মাকম সওতিং লোননেৌতপিনা। খ্বাইওখিয়ে। চেকলা ইথংলেল ও ইমু হাম-পোইপা। নওতি নোংয়ায় সংলৌ কুমপাতা। পাংথি লমতমপাতি। নোংয়ায় নাওথমপা লিলৌলাংপু। কারম মিংয়েং উয়োন থিরা-পানো। কনলকয়ে। ইপারিপু নাওরা কোওকোইলাংনা থুরৌলে। পারি সংলৌকুমপা সায়ো নাংকংচাপু। কোরৌ আসি মুংমাতা। নোংপোক খ্বায়রং চিঙওামাও। থৌপাল সোয়থুমমাওতা। ইপা-রিপু খাইনারে। থংলেল ইপিংহোম খাইনারাসে। হায়না চেকলা মাথংলেলকা। মাপারি কোওকোই লাংথুপাকা। পোলপি চিনওকনা চেকলা থাফংনানা। মিকপমানাখিয়ে। মালুম সংতিও লাননৌতাপিনা। কোওকোই নমওাননা। লায়ুং থোওকাওনা। চেক্লা তুরোননানা। মিকপনাখিযে। চেকলা ইপারিও। আসি কোরৌ মুমিংতা। থৌপাল সোইথুমমাও। খ্বাযরং চিঙওামাও আসিতা। পনলেন ইমা ইচা খাইনারে। নপল ঐতি। থেংনাং কারোওলৈ। মায়াং কাফাইলৈপু। ইনতাখিরাকে। থোংনাং তপা ফিতুপা। উতি সমথোওয়ি। কুরা য়াচুয়িতা চাবতালুরাকে। হায়না মাপারিপু

চেংলৌ মিংয়েং সোয়লাপাকি = উহৌত্রবগী। মিংয়েং উয়োনথি-রাপানো = উবা ওমহৌত্রবনো। হৈহৌমে = ফাহৌমে। থোং-নাং-তপা ফিতুবা = ময়াং ধবা ফিতুবা।

পোলপি চিনতিলনা। চেকলা চিনওকনানা। মিকপনাথিয়ে। পললেম মমা সঙতিঙ লোননৌতাপিতি। হাঁওলে নোংচুপলা পাংপারম। থোংনাং কারোঙলে। মায়াং কাকাইলে। তানত্তে খুৎকমপা। থাইরংলমওলপা। থোংনাং বিস্নুলাংপা। মায়াং মাথংতৈপা। ফনচঙ পুমনা মাবা পামেল কারোঙমুংনা। মেল-ল্যাং তলপা সাখোৎথং। নমু পোংয়াননা। খোইয়ম লাইয়ুমখঙপা। পামেল উহৈচানা ঙাওনৈপা। থোংনাং মিতাক সানফোংপা। মাপুঙথ্রায়তা চাকতাকে। হায়না চেকলা সাপু খোইনা। হাওরৈ নোংচুপলা পাংপারমতা। চাকতাথরে। মাথংলেল চিঙ-য়াঘ চাহুইলোংতি। হাওরৈ নোংপোকপা পাংপারম। চেকলা সাফুথোইনা। সেলপি মাতমপাকতা চাকতাথিয়ে। মাপারি আমুপাপু। খাইনারাপাকি। আরা তোঙতোয়পুঙ চেককোং মাপুঙয়ায়। খাঙলা উয়াম পোকপা। সামন উযামহৌবা। চকপা য়িংথি য়িয়াচাও। চোইনৌ সনা পোকপায়ি। মুঙখেন চামিলৌ। লয়ঙোই সেকতাথক্তা। চাকতাথিয়ে। হায়েং লোইতাম মাম্বুং ওইরকলপাতা। থাওডি ডাওতময়াল। লো-ইমোম খোইঙাঙ সারকলাপাতা। চিঙয়ায় চাহুইরোং। ওইনু সেংপালাচানা। চেকলা মারুমপিপু। চেংলৌ সকউনাতারা-

---

বিস্নু লাংপা = বিষ্ণু লাংপা হায়রবা য়াই। চকপা য়িংথি য়িয়াচাও = নিংথি তুরেল। লোইমোম খোইঙাঙ সারকলাপাতা = কৌ মুনবা হৌরক্লবদা।

পাকি। মাতোম মুংওনখিয়ে। পোলপি নিঙনা তেনা। হলবা-ইরকয়ে। লেংপি মাতমশাক। নিংথি য়িচাওপু নমতাহুননা। মামায় হাওরৈ নোংচুপপাং। পোলপি খুমলহুলন। লাইলনোং চেকলা মাকি চাকতাকম। রায়রং চিঙতামাঙতা। চাকতালাপা-পু। মারুম সঙতিলোননৌতাপিপু। লমওকনাতারাপাকি। ওইমু লোংপারাচানা চেকলা মাকমপিপু। লমলেল কেনচি য়িকোপ লাইপলসোয়তা। চাকতাপারা। হায়না মিংয়েং সানকৈপামুঙ। চেংলৌ সকউনাতারে। লোকতাক রালপারেল আচৌপাকি। সোযরেল ফুমপিথকতা চাকতাপারা। হায়প ামুঙ। চাকতা-ঙামতে। লয়তাঙ য়িমোইকোল লাললোই পাওপিতেকতা। নোংয়ায় ফালচঙপুঙতা। খুমলকংতাথোংতা। চাকতারিপা। থিকপামুঙ লৈঙমতে। ওইমু লেংপারাচানা। কোরৌ থোইনা য়েং। রাওপল পাংনা য়েংনা। মুংসিখিয়ে। লাইল চেকলা য়িকমপিনা। পারি খাইনা নোংতা। রাহমলমপাপু লৈয়ে। হায়-না। চেকলা মারুমপিকি। পোলপি খুমল য়িলনা। হাওরৈ নোংচুপলানা পাংপারম। থোংনোং তমতাতানা। লাকুঙ পাং-লেল ইলনা। চেকলা মাথোঙখুলপু লিখিপাপু। মারুম সঙতিঙ লোননৌতাপিপু। লমওকনাতাখিয়ে। চেকলা মাথং-লেলতি। ওইমু হামপোইপানা। লাপুঙ পাংলেলকোলতা।

পোলচেম লাইচম থননা নাওয়োকখিয়ে = পোলাং মলুংদা য়োক্লুনা থমখি।

কোলৌ থোয়না য়েংনা মুংওনখিয়ে। চিঙয়ায় চাহুইরোংনা। কোলৌথকতা। চেবল সাফুথোইনা। লোকালৌ সাতোলকুনা। ওইমু মাকমপি। সঙতিং লোননৌ তাপিপু। থোংনাং মান্নমমাঙতা। মায়ং লাংতপানা। নারা কোঙকোইলাংনা হৈহৌরে পোলপি সেঙতাপা। চেকলা ওনথোকপানিবিনা। পোলচেম লাইচম খননা নাংথোকখিযে। থোংনাং কংতি মান্নমমাঙ। মমায় মাঙৌপোমকি। পোলচেম লাইচমমুংকি। ওইমু নোংতম থোংপি। চেবলা মুরাবি। সঙতিঙ লোননৌতাপিনা। কোলৌ থোয়না য়েংনা মিকপখিয়ে। মাথংলেল চিঙয়াই চাহুইরোংনা। কোলৌ নোংলাংপাংকি। মাললেম লয়পু য়েংনা। কোলৌ-থোয়না য়েংনা। মুংওনখিরে। চেকলা চিমুমপিও নংনা। থোং-নাং তমতা তানা চাকতাপাতি। পোলচেম লাইচমমুংতা করম মোংথোইতাখলাবনো। কনলকয়ে। হান্না রাহমপাপু। চেকলা মিথংলেলও। মায়ুম থোংনাং লাংন্নপা মায়াং লাংতমপাকি। নাওরা কোঙকোই লাংপু। চেংলৌ মিংথিংতানা। ওকসোং পুমথাঙলাংপু। মিংয়েং উযোন থিরাপানিকিনা। নকম এৗতি। নাওরা কোঙকোই লাংতা লালনংঙামপাপু। কোলৌ মুমিং মঙানি মুঙমলে। পোলচেম লাইচমমুংতা। কোলৌ থোইনা য়েংনা নোংথোইরে। থংলেল চিঙয়ায় চাহুইরোংও। থোংনাং লাংমুপাপু লৌমাতৈয়ে। নথোঙ মাললেম তমপাক লয়তাল-

লৌমাতৈয়ে = মরৌ হৈয়ে।

কফুনো। পোইন্নয ময়ৈতে পাংনা নাবাশ ওনতেখিও। হায়না পোলচেম লাইচমন্নংতা। ব্রাঙপল পাংনা নুংগুনাশৌযে। মাথং-লেলসুড। কোলৌ থাকপনানা মুংসিখিযে। পোন্দপি পমলহনলনা। থিঙলৌ নিঙনা তেরকলাপাতা। আসাইঙৈকি। ব্রায়লং চিংঙামাঙ। থৌপাল সোয়থুমমাঙতা চাকতাখিয়ে। ওইমু সেংপাবাচা। কাতল-পা চিওয়ায় চাহুইরোং। লমযায লৌখৈ নিংথৌপা। হুপসিং নোংতমখোংপা। পাখং সঙবায লোনতাম লৌকুমনা। মাতোম পাংসোযনিক। মুরা ভাইখোং সিলমুলুককুম। মাতোম মাপা-হাঙনা। নোংয়ায় মীনৌসিংতা। মাতোম চাকতাখিযে। আতোল নোংযায থুনল লযমা সঙতিঙঙালপি। কমপোংথেমচামু। নাপা নাকমকাংপিনা। লাইরেল মানেম মাচা। হোঙনেময়োয থুনচাও। লোকয়ি সেললোয়নাইপু লমওকনাকে। হায়না য়িলতালকক-পাতা। মাতৃ কমপোংনা মিকোনাপাতি। নুমিংপুতি তুমিং কৌয়ে। থেঙলাপাপুতি। পাংলাপা কৌয়ে। তুমিং পাংলকলে। লাই-রেল মানেম মচাসুড। সোয়নারে। আতুনোংকিপু পাংসোযও কৌয়ে। কমপোংথেমচামু। নারুম কাঙপিনা। মাপল যিকাইপা। মাতু সেলকোইপাকি। য়িপল থাওঙা আমুকোই। য়িতু কম-পোং আঙৌকোইও। করি কোইও কোইচ নংতে। আয়ুক থাওঙা লালনৈতাপাপু লালচেনলে। মুংতাং কমপোং মৈরৈতাপাপু ময়চেনলে। হায়না মপল ব্রারকপা। মাতু থৌথিংপাতা। মপল

থিঙলৌ নিঙনা তেরকলাপাতা— হন্নরুবদা। থুমলাইলনা— অমুকহন্না।

থাঙত্তা আমুপা। মাতু কমপোং আঙৌপানা। রাচানাপিতে। য়িমোম নোংয়ায় খুমল লয়মাও। নপল কতৌপা রারকপা। নাতু য়িখোয়পু। করি থৌথিংপানো। য়িমোম নঙপুত্তম। নোংয়ায় খাথাশা। আতোল চাও-পা পুঙতা। ভাইনোকনাযে। খমনিঙ কুমঙযতা। রামা হাযয়ে। খমমাংথোকঙয়তা পাওমা তময়ে। যেনথাক তোংথিলনা। ভাখা খুংতময়ে। হাযনায়ে। হায়না রালৈনোংপুথোকনা। খানা নানা হাযনালমযে। আতু-নোংকিপু। রাইলোল খালমলালও কৌয়ে। নোংযায় খুমল লয়মা। কমপোংখেমচানু। সঙতিঙ্ঙালপি নাকম কাঙপিনা। মারাল থিঙলৌ নিঙনা তেরকলাপাতা। নোংযায মালমখৈপু য়ৌতারিঙৈ। আঙালপা খোঙলেল খমলাপাকি। হাওচারা পামবানা। লাথারাই। খোংচাপামবানা। পুঙথোলরাই। হযলা খোংচাপামপানা খোংতৌরাই। নিংঙেল তৌপামপানা। তৌ-রিংকোলতা। য়িসঙ লয়নাসা। লমসঙ লযনাখল। লমলকপা মাসঙসা। সাতলপা মাসাইথম। সঙলেল মাঙলমথল। উপল পোপতেকলয়। সতৌ তোললোংপানা। যুমশি কাওচৌ ওই। উরা হুরপু ওইনা। চানা সঙসোনয়ালনা। কমপোংনানা কুপ।

রাচানাপিতে— মরা লৌবিদে। ভাইনোকনায়ে— নোকৈ। খমনিঙ কুমঙয়তা— মায়োক্লনা উনবৈদা। য়েনথাক তোংথিলনা ভাখা খুংতময়ে— ভাখা খজিক্লনা য়েনথাক য়াম্না থোকই হায়-জিনবা। অঙালপা খোঙলেল খমলাপাকি— হুমিং তাষমসী।

সাব্রা য়াংসঙ সানা। ফায়েঙ নোংফাইপাতা। কৌবা চীঙনুং সোয়। লোয়য়া তমলোল ঙালেলকলাপাতা। হাংচারা তৌরেল ব্রাক। খোলফপা। নোংয়ায় য়াকা সকয়ে। তাতোল থুমল লয়মা। কমপোংথেমচাহু। নাক্রম কাংপিও। য়াহৈরো। তুলেল লোকচা মংচায়ি। সারোল মংলোল য়িতিনখোং। লয়তাঙ য়িমোইকোলকি। লাইচা যিরিকল্যাইনা। সানতেং নারো। হাবনা নোংযায যাকৈসফপাবু। য়োয়কমলোন। সঙতিঙ ঙালপি নাকম কাঙপিনা। থোঁথামখিয়ে। য়িতাইরেম হাওচারা। তৌরেল খোলফপাও। নাক্ব চযরংখিও। নার ক মাহি থাংখিও। নোংয়াম মীলোসিং। থোঙপু মিকংচেং খাসিতা। যাকৈপা আসিপু কবিনো। য়িপল থাঙঙা আমুপা। মযরাকখোল। য়িতু কমপোং আঙৌপা লাললাঙখোললা। হায়না পাওহংপাপু। মাতাইরেম হাওচা তৌরেল খোলফপানা। মাকুচযরংতা। মাব্রাক হিথাংতানা। পাওথুমলকয়ে। সোংযায য়িরযমাবি য়োযরুমলোন সঙতিঙ-ঙালপি। নপল থাঙঙা আমুপা লাললাওখোলপু নংতে। নাছু কমপোং আঙৌপা মযচেনখোলপু নংতে। ব্রায়রং চিঙঙামাঙ। থোঁপাল সোয়থুমমাঙতা। চিঙয়ায় চাহুইরোং। সেলচা হায়হৈপা।

কৌবা চিঙনুংসোয় লোয়য়া তমলোল ঙালজকলাপাতা=নোংঙাম-ক্লবদা। তৌরেল ব্রাক = তৌত্রি। নাকু চযরংখিও। নারাক মাহি থাংখিও = নংনা তৌত্রি খোংহুনা ঈশৈ শকপহু লেপখো। নোংয়ায় মীলোসিং = থুমনগী লো উমবা মকম।

লমযায পাখাবাপা। তানলোয মাপাতামপানা। মাপাবি থাইনাবাপাকি। চেকলা মাকুমপিস্নুঙ। থোংনাং নাংব্রা কোঙ-কোইলাংনা থুবৌলাপাকি। এইন্নু সেংপাবাচা। লমযায পাখাবাপানা। কেঁপা চিংলুং নোংকা সোযবকলাপাতা। মাতোম তুপসিং নোংতম খোংপা চেকনে। হাযনা পাওথুমলাপাতা। যোযকমলোন কম্পাংথেমচাম্লনা। তৌযিকিতি। যিতাইবেম। হাওচা তৌবেল খোলফপাও। এইন্নু সেংপারাচা। চিঙযাই চাতুইবোং। লমযায পাখাবাপা কেপাতি। কাতৌ নবানা। নোংযায খুমললযমা সওতিং ভালপি। যাকৈচেক। নোংযায লৌখৈ নিংথোপা কৌস। হাযনা নিংহাংশিযে। সওতিঙ ভালপি যাকৈচেক। লমযায লৌখৈ নিংথোপানা। তুপসিং নোংতম খোংবকলে। কৌপা চিঙলুং সোম। লোযম তনলোন ভাললাপাতা। চিঙখোঙ যাকৈপাংঙ মাতামতে॥

হাওলৈ নোংপোকলা পাংনাসেম। নিংথি যিযাচাও। চাকপা অঙগোযি। চোইনৌ সনা পোকপাযি। কবো সামপা লায-বাপা। কামপা চোং তাইযেমনা। খুলখিলনাই। নুঙথেন চামিলৌ। লযডোই সেকচাইথকতা। চিঙখাঙ যাকৈপাতি। রাহোং মযপুচপিচা। পোলবি। কোইচাযেক। নুংবা থায়াঙ-বানা। মযতৈ লযমা। নোংপাললোন নমোইন্ন অংোঙবিপু।

লমযায পাথারাপা তানলোয মাপাতামপানা—মতু কায়নগ্রবা মপা লৈত্রবা। মাতোম তুপসিং নোংতমখোংপা চেকনে—মতোম্মতা-

কাওচা মলহোংনোংতা। কোলৌ আচু থাতাবিযতা। কোরৌ নোংনা নেমলিঙয় মালেম লযনা রাংলিয়ে। শুকমু লযতম ফেলফতা। লোইমোম কুরোল হুফতা। চেঁওচা মাযঙৌ তালফা তাবিঙয। পামেল উরুপাক। কোওযাঙ রাতোলকোন। তৌরেল থাংফকসানা পাললমঙয। চম্লরয ফিডৌ ফৌপাতা। মাচেঙ কাইবয আঙৌপাপু লোইফতা। মেনাং তলপাসা। নামুংপাস্ঙ। লোইফাতাঙয। কোলৌ নোংলাওখোলকা। মাললেম তমপাক লযলাওখোলকা তাননা পাললমঙয।

তা তপমথ-। খোংবা উচেক্রে। কাওচা মলহোংনোংতা—থাজহনা নুহোংঙৈদা। কোলৌ আচু থাতাবিঙযতা—নোং তাদবিঙৈদা। কোরৌ নোংনা নেমলিঙয মালেম লযনা রাংলিয়ও—অতিয়াগা পৃথিবীগা নরুবিঙৈ। শুকমু লযতম ফেলফতা—শুক পাযহনা শুবা যাদরিঙৈ। লোইমোম কুরোল হুফতা চেঙচা মাযঙৌ তালফাতাবিঙৈ—ফৌশুহনা চেং খোক্তরিঙৈ। পামেল উরুপাক কোওযাঙ রাতোলকোন তৌবেল থাংফকসানা পাললমঙয—উখোং রাখোংদা তৌনা যুম শাহনা পাল্লিঙৈ। মাচেঙ কাইরয অঙৌবপু লোইফাতা—যেল অঙৌবা লোইদ্রিঙৈ। মেনাং তালপা সা নামুং পাস্ঙ লোইফাতাঙয—হামেং লোইহৈদবমু লোইদবিঙৈ। কোলৌ নোংলা ওখোলকা মাললেম তমপাক লয়লাওখোলকা তাননা পাললমঙয—অতিযা অমসুং পৃথিবী খোঞেন অনি তাননা পাল্লিঙৈ।

কোরৌ সেনচঙনা। বাঙপন পাইচঙনানা। ওঙলমথয় তা। সেলচা হায়রহৈপানা মলচংঙয় মুংবা থায়াঙপানা। কোরৌ নোংথাঙখোম। মুংনাং কাওখঙরোলতা। মলহোংলোংঙ। আরাং নোংনিংথৌ ফাখঙ যোয়রেলপানা। মুংবা থায়াঙপাবু। তাঙচা লুরেলতে লতা। মললা মাসিঙথি চোয়রলৌ মনা পুমনা লুপনা। থেংপিঙময়ে। চারয় প্যারোইথেং। মাললৌ কোইচা য়েকপু। ললকু ঙাময়ে। চিঙঙ, নোংথৌ মররেরনা ললকুচেক। চারয় প্যারোইথেং। মাললৌ কোইচা য়েকনা। হনফবা চেক। পোলপি কোইচাযেক। নুংপা থাযাঙবা। সারা তোংতুংহৌপা। আরই সংথুচেক। উরিং লোলযামচানা। আরাং নোংথি চিঙমুং হৌপাতা। পোলপি খেবাংথাং। চেকলা মারাঙহৌনা। নোয়ঙমচেক। বাহোং মযপুঙচানা। নিংথি য়িয়াচাওকি। লয়ঙোই লেকতাইথকতা। কৌবা চিঙমুং মোরাবাকি। চেকলা নোংঙমথোরলা। চিঙখোঙ য়াকৈরকলে। বাহোং মযপুংবিচা মুঙ মাতোম চিঙখোঙ যাকৈতে ॥

নোংপোক ঙমথংনা লোযযা ঙমলোননানা। চিঙখোঙ যাকৈবাপু

কোরৌ সেনচঙনা বাঙপন পাইচঙনানা ওঙলমযতা — মশেন মথাই থোরুন্না পাল্লিঙৈদা। মলচংঙয়—নিপা মযুমদা মুপী মযুমদা মমল পিহুমা হায়জবা চংঙৈদা। মলহোংলোংঙ—মমল পিবা মুমিত্তা। মললা মসিঙথি—মমল মসিঙথিনা।

লৈযে। সলবি চকলৈঙাল। কবো তা লৈ নে। খাকি লো-ইমাভোল। কোলৌ মোংমা রাংপা। মাখুরোল। মাচ লেম ঃ য়না খোইবা মারমখৈ। লৈচায় যিনাপাকপা মাতুয়া। লেংচেং কং-লাভোং। সনা খুন্নুংপোক লয়মাঙন। চকপা কন্নুংসি। মেল-খোঙপা লয়োননাং। সনা মাপাল সাপা। লুপা মাহয়রালপা মাবমখৈ। খাঘি লুকোক চাগুনা লুতুরাই। মাপা আমুরাচা খোকমৈ স্নুমবনা। কোবৌ মাখৈ ফংকে। ফংভারাই। রাঙপল মাখোব নেঙকে মেংতারাই। খাকি রাযপি খোংমাঙবা মারমখৈ। চৌকংকোঙ মাপুংলেলতা। চিঙখোং যাকৈপাতি। কৈথোঙ কামবা লয়াজনা। কোরৌ নোংকাওয়তা। কাইরয় মাযেলচানা। লমলক চেলমাতানা। ওনখিচেক সেলবি নোইনিংখোই। চেকলা মযনা কুইবা। উকৈ ফালভোং কোইপা। নোংনিং লৈরিককা ফাবা। খোইপা লয়ুঘি চাকহালফাগা। পামেল উহারাই খোংফবা। আভৌপা য়েকলাংফাপা। আমু যিকতমফপা। সামন ভোংথিলযোলবু। চেকলা। চেকলা চেকময়সাং। সেলপি নোং-নিংখোইনা। খমনিঙ আচংপাপু তৈনা ফবা। খমমাঙ আথোক লমবু তৈনা সেনপা। মানলং চয়বোযনানা। যাহিপপা চেক। উফৈ ফালতোংখোই। বাংঙমলোন আযাংফাবি মলহোললৈ। আঙৌবা লাঙকম সুঙচি লালথাবা। হুয়েল লালতালৈ। সেলপি ভাইপোং মায়ায়লৈ। ময়তেংঙ চিঙখোঙ তোলনাবানা। য়াওয়ৈ লৈয়াঘি। খুলকাম লয়নামুংকি। লাংকোই নাকথং পাংমাতা।

সনা পুঙবুলেম। লুপা থেলমায় লাংনা। য়াওরৈ পুঙগুনা। চেকলা ভুফাং চিলনা যুমতালৈ। য়াপুমরেম লয়সাংনিংথৌনা। যুকৌলৈ। লাইরেল চিঙখোঙ ভোলনাপা যুমতালৈ। সেলবি নোইনিংখোই। চেকলা চেকমযকুই। মোংনিং লৈরিককা ফাবোনা উফে ফালতোং কোইনা। তুমুংপোক লোলমাথৈ। লেংলেঙ কংলাতোংতা। চিঙখোঙ য়াকৈরকযে। কৈথোঙ কামপা লয়মা। নোংতমযোলস্তুঙ। মাতোম চিঙখোঙ য়াকৈতে॥

সেলবি ঙমথংনা। কবো ঙমদোমনানা। মাচেঙ পাওতাকপা। চেকলা লোনখঙবা। সারা তোংহৌপা। ফিকে লমসংমালবা চেকনা। চিঙখোঙ যাকৈপাবু লৈয়ে। লমলেল সেলবি নমসিলৌ। কবো নমবাইলৌ। রাযসি লমতোংপাল। থাথারা পুঙমামোন। রাইরি চিঙচিনমল। তানবোং লমমাপাক। কাপুকপা মালখালৌ কানমবা পেংওইখা। সেলপি মিতাকলৌ। কবো পোংযেংলৌ। কামপা লৈমুংসি। কবো খোইমোম লাইময়চিঙতা। চিঙখোঙ যাপৌতি। কৌপা অভাঙভা মাপাবি। যুকোকথোং যায়মাপা। সেলপি চাকতাংপা। কবো যুমকাবা। কোকথক থোংভাংভৌপা। কোকপাল থোংসোক সাপা। চকলই নেমথিবা। তা লৈ কোলথিবা। মারুমবি হাওনিঙসং পৌতোংমু সাফাবি। যাওরা মাসিঙসুবি। চকমোন তেমখাঙলোনবি। লোইতাম থাবু ফাবি। হয়রাঙ মাচাযালবি। তাওচিঙ মারুপলপিপু। লোইতাম থাসিঙ স্তুতানা। হুললাললময়ে। হাওনিঙসং পৌতোংমু সাফাবিনা।

মাপারি উঁকাক কোবখো তুপপাবু। সাংলককাপারা সাংরাতে। মামোম মান্নুং মালস্তু লেংপি। সমলাং পোপতেক লয়বি। সনা খাখৌথেংপিপু সাংলকায। মাগোম চাঙপা। লেপকারকলে। সাংপা লেপভমলকলে। চয়রয নিভথমলাক। মাললৌ থোংতম লাকলাপাতা। থাড়ি লিহেচাঙ। লোইমোম লিহে সংলাপাত্তা। পারিং য়েংওইতিং। উকাক মাযাথোংয়ালনা। পোলদি উচেক হোইত্তামপাপু মাপল পলখৌ নিংথৌ। সেলবি কোকথক থোংচাংডোবা। কোকপাল থোংসোক সাপা। চকলৈ নেমথিবা। তাংলৈ কোলথিবানা। নারাল গুনতেলক। মাচেঙ হলবাত্তিরক-পাতা। মাম্মম সোংক্ক লোভাকপি। সারা উচেক হোটপিপু। চেংলৌ সকথচ্চতা। পুন্নং লেপখভতাপাকি। ডাইতে লৌসভন্নংতা। চিনকোয় পাওরলন রে। কযরা তালতাকানা। সায়পা ফিক্কালমা। তিংথং থোভচঙনারে। মুরা হিংকোক কুমবাকলৈ কুনচেং কোয়ি' থোকনাবে। হোরেল নুমিতাং খালৈ লৌকারকপাতা। মামোম সোংক্ক লোভাকাপনা। পাওহংখিযে। পললেমযিমা। হাওনিঙসং পৌতোংন্ন সাফাবিও। য়িপল নঙকি ফমলেল ফমপা অসিপু। কানানো। হাযনা পাওহংপাপু। হোযতা য়িমাম সোংক্ক লোভাক লুবিও। নাপল পলথৌ নিংথৌ। কোকথক থোংচা লোপা। কোকপাল থোং সাকসাপা। চকলাই নেমথিপা। তাংলৈ কো-লথিপা। পলখৌ নাপা সাংমাপানে। হযবাঙ নঙপু নাচায়ালবি পানে। যিম্রোম নাওরা নিঙথিবি। নঙবু নাহল হযলাঙ নাচা-

য়ালপিবা। তাওচিঙ নাক পলবিবা। খোয়চি থাংকা মিহুলনোংতা। লোইতাম থাসিংসুগানা। ফুলাললমপাকি। নাপল চেংলৌ সকথওতা পলথৌ চেংলৌ লেপখওতাবানে। হায়না আসুম য়াহনলাবাকা। মমোম সোংক লৌতাকপিনা। তাওচা যিকাইপোক। চুযাই সেলখোইথিযে। মমোম নাওবা নিওথাবিনা। হে পললেম য়িমা হাওনিঙসং পৌতেংনু সাফাবিও। নামোম ঐতি। য়িপল পলথৌ নিংথৌ। সেলপি কোকথোং ভাহুংবৌবা। কোকপান থোংসোক সাবাপু। চে লৌ সকথওতাপাকি। পাইতে লৌসভুগকতা। চিলকোয় পালেলনাবে। সে বি যিপাচা। কবো যিযলনুবু। তাওচা যিকাইযে। থাংডা যিবযকোক কযকাই যিপ-সং। যিতা ভাইবোযনাই। যাংতৌ পোকমাবোযসি পু। চইখাই সেলকোয়যে। হে পললেম পোক নাপিও। ঐতি তাইনঙ নামু- পোংপু। ওইনা পালওনপালোইয। কোবৌ নোংকাব। চিঙঙু পলতললাকে। আমল য়াবাপুবাংই। আকেন চকামাম লাংকা ওইরাকে। হাযনা। চকপা অঙকোযি। নিংথিযিয় চাওকি লাইচা যিরেলপুংতা। নিমু খোযেকনানা। নোমলঙ্গাপাকি। পললেম মামা হাওনিঙসং পৌতোংনু সাফাপিনা। মামোনপু নুংসিথোইবাকি। লাইসু ভাতালোং। নোংতা লাইবেল পাথংবা থোংখেৎলোং। মোমনু পাচেঙ চাচললোং। চোমলাং খোওথিনলোং। ফুমহি হামৎলোংবু। অযনা ক্ষাননা। লাইচা চেপকোংনানা। কোরৌ মুমিং চুপমারেমমানা লোয়না। তাওচা খোওকুল লিবাপু।

লিখঙ্ক্তাখিয়ে। ঙার্খা খারংবিচা। লেমরয় তোনমযমু। ঙামাই নুংচুংম্নিচাবু ঃখোলখংলকয়ে। ঙাচিংচিংলোযনাই। লযতাও ক্রাওবিসল। রাঙলুলে'ন সমফাকি সমশাং অমা চিংলাবাতি লেমলয় ঙাযাম লাকপাঙা। লেমলয় হিংনা তংবা ঙাবু খোল-খংলকয়ে। লেমলয় নঙপু খোলতে। যিমাম সোংক্রু লৌঙাকপিবু খোলবানে। হাযনা তাইচা যিবালঙ্গতা। লোং-লেল চেপনা হযথাবমযে। লেংলেল খোলমাবকতি। থৌতু নুঙঙাচা চেঙচা নুঙলাইথকতা নাওযিপাপু খোলখংলকায়। থৌতু নুঙঙাচা নঙবু খোলায়। যিমোম সোংক্রু লৌঙাকপিবু খোলবানে। হাযনা তেকপি ওবলাকোলতা। লয়ঙোই সেকচাইথকতা হুললাললময়ে। হাওনিঙসং পোতাংমু সাফাবিনা। মালেম মানালোম। থাপি মাতাং তেনবাযোনা। তাঙচা খোঙকুল লিপাবু। লিখঙতাখিযে। মোমন্নু আরাহকনা চোক। যেলপিতেল নাহুই। সনা লাংচেং হুইবাপাকি। মা-লাল ওনাতেবকলাপাঙা। নুনিতং চিংযং নাংস্তুমপা। খোমলেল তুমকনখিবাপাক্সি। যিন্নুংসোইযাযমাতা। মামোম সোংক্রু লৌঙাক পিপু। খোমলেল মঙফাওনাবকায। পললেম যিমাও। নামোম ঐতি। থৌতু নুঙঙাচা। হুপমিপা চেঙচা। নুঙযিথকতা নাওযি পাচাপু। ওইরাপি ঐপু। য়িপল নঙনা। তেকপি ওককোলতা হুললাললময়ে। নামোম ঐতি। কৌবৌ আচুলাং। রাঙপল আসা থাঙঙমলোইয়ে। লেমলয তিঙলিকোলত। ঙারা যুবাও

লোনত্তারিঙয়। মাকে হাথাত্তারিঙয়। খোইয়া লোঙচুমতা-রিঙর্বু। তেকপি ওকলাকোলত্তাকি য়িপল নারালয়ায়তা। চৈরৈ ফিরোল ও তি থাকাথা। মাললৌ মারোল ও তি থককাথোংনা। উকাক তপথায় থুমনা। লাঙচল পুরিতু। সারা চাচুমথিলনা। কোরৌ ও নি হুনা নোংহান্‌বিয়ো। য়িপল থামবি তৌখোম চঙখোনবাতা তাইপঙ নামুপোংবু ওইনা সাল-ওললককে। হায়না মঙফাওলকয়ে। মাপলনা খোমলেল ম্রিকপ থোকলকলাপাত্তা। কৌথা সোয়রম সোযতা। চিঙলেল ওাল-তালিষ্টে। চিবা পাওনাইতাবা। ফকলাং থেংকোইবা। িকপনা। হিককপ হৈকপনানা। নোংযায় সিঙচেপ ময়রা হাইচৌথালনা। তেকপি ওকলাকোলকি। থোতু মুঙগাচাবু। চয়রয নাহোংসা। মাললৌ থুপকিনা। পায়থু লেংহাননানা। হলরাইরকপাত্তা। চয়রয় মারোল ও তি। থাকাথা। মাললৌ মারোল ও তি। থককা খোলনা। উকাক তপতাইথুম। লাঙচল পুরিতু। সারা চাচুমথিলনা। ভাইথমবাবু মাপলনা আথাকাইনা। নোংহাম-য়োনজে। কোরৌ মুমিংসুতা। মামাল থামবি। তৌখোল চঙখোলত্তারিঙয়। য়িমোমপু। চেংলৌ মাসক করম ওইরাবি কাপানো। যেংনিঙলে হায়না। কোরৌ মুমিং ৫ নিতা। সারা চাচুমহাং। লাঙচল পুরিথোক। উকাক তলথাযহাংনা। চযরয ফিরোল হাংনা। মিংয়েং সানকৈপাপু। মামোমপু তাইপঙ নামু পোংওইকাবারা হায়পাপু। ওইঙামত্তে। পোলবি ওনথোকপা।

চেকলা তোংহৌপা। মাখোঙ থাৱাল লোঙচুম মালবা। মাচিন তেংনৌ য়োংকোন মালবা। মাহাক ফিকে লমসং মালবা। মাকোক তাওচা ল্লিলনু মাম্পা। মাময় তেংনৌ তোলথাং মালপা। মামিং তেনৌফা মিংকোই থিলফাপা (মমিং তমফা মিংকোই থিলপা) চেকপু এইচামযে। সেলপি কোকথক থোংঙাংলৌবা। কোকপাল থোংসোকসপা। মামোম সোংকু লৌভাকপিনা ওনখিচেক। হাওনিঙস পৌতোংমু সাফাবিনা। নোংহামযোনরাপাকি। মামোম থাংছি পীইয় সংবিনা। সাল-ওননচেক। চেকলা লোনখঙপা। পোলবি তেলমুরা আপিসেংনা। ফিকে লমসং যিলপানা। তোংচং থারা পালথকতা। কৌপা চিঙনুং সোযবকনাবাতা। সাবিক লাইথলতোংনা। যুমচিন চাকোথকতা। পাএমেলখিযে। যিপল পলথৌ নিংথৌ। সেলবি কোকথক থোংসোকসাবাও। পললেম যিমাহাওনিঙসং পৌতোংমু সাফাবিও। লমবু লাবযে। তবা লাকযে। চকপা লমপু নাওতাযামপা। হিকা লোযথোম তুমাবা। মাচি লমচাএবা। মাচি থুপা। তেংযাযহলপাপু। লাকযে। মাথুলেওকা মুবা। মাসিংচেং মযবোঙপা। মাথুতেং নানৈপাপু লাকযে। যিমোম কোননু যাহৌরো। আকো নঙতি থোঙহাংও। কোন নঙতি। লানথোং ও। আমল নঙতি পাওচেললো। হাযনা। সেলবি যুমচিম নাইরেথকতা। চেকলামইবু ওংনা চিঙখোঙ য়াকৈরকলে। সাৱা তোংহৌবা। মাচেঙ পাওতাকপনা। কৌপা চিঙনুং

সোয়রকলাপাতা। সেনবি নেমচিলৌ। কনো নেমপৌলৌ। গোইরমাম শাইনযচিংতা। চিঙখোঙ যাকৈ তমায়। লোয়যা তমলোল ঙালনকলবাতা। চিঙখোঙ যাকৈপাস্নঙ মাতোমতে। কৌপা চিঙন্নং সোয়রকলাপাতা। লমালল ফেলচংলই। চেংলয রাংকালনলেল। রাংকোল তমপাক লয়নাম্নং। চিঙঙ্ লাঙাঙ পাললোইলৌ। ভুবু লৌকুমবাই। সিঙচা লৌতমরাই। যিলেং থাঙজংরা। থমলাং তাংসিবাব। ডুমলোন নাতৈনানা। চিংখাঙ যাকৈপাপ্ লায়। পলম মামা। [illegible] লৌসিতান চাদু। পায়মা লিলাকাবকি। [illegible] কৌপাতি বাতৌনেংকিনো [illegible]। পলনেং মাদ, ঙাঙু-বোন লৌসিবান চনা। মাবান হাওসি [illegible] ন্নবাবিব। যিমোম পেমমাও। আসি কোবৌ ভুমিংমাতি কৈবা থাংতোক, ও চংবি পালফোইন্নও। লোইমোম ফোকং লাংলুও। হায়না থৌসিখিযে। মামোম হাওসি নামোইন্নবা। মারাল ওনতেবকপাতা মাপল খোঙকাও ফনালনকমতা। ন্নবা চেঙপোং থাবম থাতা-বিঙযতা। পলালম মামা চাদু তিলনাংসৌ। [illegible] খোয়তৌ ওংশিনা। [illegible] যৌশাইঙনায। যিমোন হাওসি নামোইন্নবাবিও। [illegible] লোইমোম। কুবোল হুনা। চেঙচা মায়ঙৌ তাললো। লাইসারা থযতিং থইঙালা। হয়তৌ ন্নংমাবা উম্নু তাংমাবা। মোমন্ন চেঙথোমলাতা। চেঙচা মাঙতা যিন। লোইমোম ভুংতাচিং। খুংনিংথৌ তোল-

পোকপা নিংখনচেঙ। যাংলৈ তাওপা হুইযামালবা। চেংচা তেকতাপাপু। নিংখংবো। হায়না খেতাঙাম্বাবু। নামোম হাংসি নামোম ন্নুবাবিনা। রাকনথিহে। পললেম যিমা ও নু-বোন লযরাম চান্নও। নামোম ঐবু চেঙপোং হলরাইনা থারন থাতাবিংয। যিপল ফমনেন নাখোঙকাঙবু ফমতাবিঙযতা। কাসিকি স্নকমু লযতমফেলনা। লোইগোম থুবোল তুও হাযবানো। তুনাং সেলাক যযিনু তাকন সিয। নোমালৌ নখুমযি। সারা পোরাথলহি। তোমন সমখোচোনলযি। চুবা স ইচুমযি। হুবা সাক খানটোযি। টৗকি সমগো কি। চেংহি ঙইফাযিবু নংতাবিয়। হু যনা পাইখুমবাবু। পললেম মামা চাহবোন নৌসিকাচানা। মাইবি নান্নংতৌ তিললাং নাথোয সাওনা। হাকাযিথিয। নিমোম হাংসি নামোই ন্নুবাবিও। মাপল ঐকি থৌসং খোখাহপালপু কাবি নাতাতাবানা। হাযনা লেমলয ঙাওংচয। লোইন্ন থুমখাচযনা। মযাতেংঙ ন্নুযামফাপা চাংখা লমওকচয। লাংলল কোংযাংরা খাবযনা। মামন্ন লবাইতোনতা চমবিবে। যিম পাকতযনা। সিঙৌ পামাযলনাবে। নমোম হাংসি নামোই নবাবিনা। নকনথিরে। নিন যিবাক সাপাপু বাওইথিরে। পললেম যিমা নৌসিবাচান্ন। তাও-চিঙ হযকুমসিনবি। ঙাইবোং সিংকুমসাবি। নামোম ঐতি কারি নামুপোংবু ঙইরাসিবানো। থাঙঙা যিবযকোক। লয়-কাই যিপালসাং। যিতা ঙাইবোযনা। যাংতৌ পোকমা-

রোযসিংবু তাঙচা যিকাইয়ে। হুইযাই সেলকোয়য়ে। হিকভাব মাপাওচাও। পিরেম থকমাতানা। মুংওনখিয়ে। থোঙচিন পাযনা মিকপখিযে। লাকচিন পায়না পাওনৌযে। লাংলেল রাথায়স্থনা যুমচিন চাবোথকতা। পাকতু ঢিতাই কাঙনা। হুয়চালিকপু মিকপনা। হুযনিংনাংবু খোলসোননা। মিকপনা-রিঙয়তা। কোলৌ লযবু হুপপাপু। মানলং মালাঙহৌপাপু। লমওকনারে। নোমন্ন মালেনৌ মাকানবুনা। তুরিংখিযে। মোমন্ন হাওসি নামোইন্ন লৌখিবি। ন্নবা চেঙপোৎ হুলরাই-পুপিনা ওইখিচেক। ডান্নরোন লৌসিরামচান্ন। পাযমা পিরকোএকি। হুযচাবিক হুযনিং নাং নিংনাং যাংসাবিকনা। পোইলয যুমল-কথোংনা। রাংঙম তমতা লাওলববে। মাযথু মাযতৈন্ন। মামোম কাংকৌচিঙ লযমাবিনা। সালওনচেক। মুতিঙ মাযখুন্ন। মামোম ন্নবা কোইবি হুলালনিকপিনা। ওইখিচেকনা। পামেল উথাঙপায়না। নিংনিং খোংলাপাতি। নিংবা চযমাপা কৌয়ে। লোযযা তমলোল ঙাললকলাপাতা। নিংপা চযমাবানা। লাও-রকলে। লাংলেল কোঙয়াঙ পাযনা তংতং খোংলাপাতি। তংপা চযমাবা কৌয়ে। সরাতৈনা ওনলকলাপাতা লৈনা খোংলকাল হুয়চারিক হুযনিংনাং নিংনা সেবলবিচানা। কৌবা চিঙন্নং সোইরকলাবাতা। মাতোম চিংখোঙ যাকৈতে। পোলবি মাঙা-ইলোয। চেকলা মাহিসাংপু। মুংমাঙসামালোয়। লাংন্নং পোলমালোয়। পোলবি ওনথোকপা হারিখোলতৈবা। চিঙসাং

লাংলেপপা। চিঙয়ায় কোলথাবা। হাবিপলথমপা। পললেম মামা খোয়নৌ মুংবালচান্নু। যোয়রুমলোন লৈমা যাংতৌ অতাওপি। পায়মা লিলকোযনি। হারি খোলতৈপা। চিঙসাং লাংলেপপা। চানা লমথাঙখৌনা খোযলেনবা। মাললেম চিঙলয়পাকনা চাউমবা কৌহুভি বাতৌনোংগিনো। পললেম মামা লয়মা য়াংতৌ আতাওবিনা। কোলৌ নোংকারকপাতা। যোমসু হয়লাঙ মাচায়াল। তাওচিঙ মারুপল। য়াওবা মাসিঙসু। চকমোম তেমখাঙলোনবি। লোইতাম থাপুকাবিনা। কোলৌ নোংকাঙমতে। চিঙং পলতলফতারে। লয়মা যাংতৌ আতাওপিনা। খোয়নৌ য়িতা লোইয়ুম নোংবাল চান্নু মাঙামাও। নঙখোয় হালনা কোলৌ নোংকাঙমও। খোয়নৌ নাতা ঐতি। য়িপারিপু সাংলককাপারা। যিমোম মুংওলথিপু ফুয়রককাপারা। পারি নাওপেংকে। যিমোম নাওনৌথিকে। তৌকুমলে। য়িতানঙখোযকি। মারা নাখোঙথুলবু য়িলতাললককে। হাযনা পাওমেললকযে। লযমা য়াংতৌ অতাওবিনা। য়িপারিবু সাংলককাবান্না। হায়না বোলোথোয়নায়ুং। রাঙপল পাংনা য়েংনা রাওইথিয়ে। খোহমা লাংখোঙপাযনা নাওপংথিয়ে। মপারি

মুংবাল চান্নু = লুরাং নিঙঙোন, য়োয়রুমলোন = লুরাং যেক ওইবা য়ুমনাক্কী চন্নু নিঙঙোন। পাযমা লিলকোযকি = পুরুংগী, গর্ভমুংগী। মালেম চিঙলয়পাক্কা চাউব্বা = লৈপাক্কা চাক ওইনা পিজবা। লয়মা য়াংতৌ আতাওবি = লুরাং নিংথৌ পুন্সিবগী ময়াম্বা পুন্দাংগোই থুংখোযবনা পোকপনি।

নামু পোংওইপাতি সাংলকতে। চেকলা ওনখোকপাবু সাংলকযে। হাবি খোলতৈপাপু সাংলকযে। পললেম মামা লৈমা যাংতৌ আতাওবিনা চানা লমথাঙথৌনা খোয়বেনলমযে। আতুনোংকিপু। লমলেল খোয়রিথূনও খোলনাযে। মালেম থুংকাং লযচেঙফাননা হোংনা। মাপাংলিবু ১০চাউমলমাযে। আতুনাংকিপু ১০ চাউমচিঙও তৌনা কৌযে। হাবি খোলতৈপাপুঙ চানা লমথাঙথৌনা খোযবেননে। মালনেম চিঙপগপাকনা চাউমবা। তৌনা কৌপ। প[illegible]মাম [illegible] নবাবি। লম [illegible] আতাওবিনা। [illegible] হ [illegible]। চিঙ[illegible] পপা[illegible] পাওমেনখিযে। [illegible] চেকলা ওনখোকপা [illegible]। নাপল ঐকা। কাপলৌ নোংকাবাত কামাংফালোঙযে। পাবি নঙপু যযাতালাথাং ন[illegible]ক ফা[illegible] চ[illegible]লম না-হোংসা। পাযথু নোংহাননা মালনৌ থুপকিনা। ১০ চাবুমসায। রানচেং সৌবাইমলনা। নাওয়োকফালোইযে নাপল ঠেকি। থিকলেল ওইকি। লাইজা যিঙৈনাবা[illegible]। তংযালোইয়ে। পললেম থিকলেল যেংলমকি। ১০ চাওইনাবাসুঙ। তংফালা-ইযে। না[illegible] কো[illegible] নোংলাংপা[illegible]। লাইনাম চিঙা কুমচেলপাই। যিঙল ওনখায[illegible]-বু [illegible] পাবি চেকলা ওনখোকপা। কৌপা লৈখা[illegible] খাঙনাপা নঙ[illegible]। হাযেং লোইতাম মাময যাওরকলাপাতা। খোযমা নাবোলমুং। হাওনা যিতোলথকতা। রাঙপল পাংনা যেনা। যিঙা কুমচেল লাও-

খংনকও। নাপল ঐরুঙ,। কোলৌ থানপনানা। যি ঙে ল কুকথাযথাবককে। হাযেং লোইতাম য়িঙ'চাবিথাতা। পান্নি যিপিডঙা নমওকনাস। হ'যন। রাইঃশিয। লযমা যাংতৌ নাহাওবি। মাপাকি হাবি খেনাইভপা। চিঙসাং লাংলপপা। চেকলা লোনখোকপানা। লমকল নাওরা খোযরিখলতা। ১০ চাউমচিংতো। খোযমা নাকাথকতা। য়িহা কুমচেল লাও পাচকনা। কৌবা যিল্লং সোযকলাবাতা। চিংথাঙ যাকৈরকলে। চকন ন নওনপা। হাবি খোলতৈপাসু। মাতোম চিঙখোঙ চীন।

খোংজামলুবী মচা তরক্কী মমিং।	মমান মচা হাওকু তরক্কী মমিং
১। নবাং পুন্নিবনী নচান্নুপী (নুবাং পুন্সিবা চানুকে)	১। হাওকু ভযওক রালপা
২। খোনাথোক মাবইন পা চানু	২। আতাম শোয়শেলপা
৩। তোংচং নুবানী	৩। মুইযিম য়াইশিঙ লোয়
৪। যিংঙেল নুরাপী	৪। হাওকু পাথং
৫। ঙালম্নরোল লৈশবাম চনু	৫। হাওকু ভয়ং কে থানপাও
৬। নুরাং পুভাংখোম যংথোযবা চানু লইমা যাংতাউ আতাউপী।	৬। হাওকু লুরুইনাপ

— { ** ** } —

পেনা শকপশিংনা লাইগী
য়াইকবদা শকপা

হৈয়ি হয়া হয়ুম
চীংঙ্, ইবুংঙো হৌয়ো হৌয়ো খোইয়ুম হৌয়ো হৌয়ো
য়োইমযাই অঙানবা চীংখ ফিদুপ হুনরে
খোংদিং নৈনা কাঙলরে অঙান্না খিং খিং খেনকারকপদা
অঙান খোঙলোন মাপন হাংলপবু
চীংঙ্বা কনা তাক্রিবৈ খোইয়ুম কনা খঙক্রিবৈদা
গুরুগী কাইরৈ ময়েনচা, অঙাংবা কাশা পাওতাকয়েন
অমুবা লোইমোম ফৌকৌয়েন
মরিকগী খোনাং নৈনীং চাইবা যেন (শোইরেন পাওতাক যেন)
অঙৌবা মুমিং সনা প্রুময়েন
চেংগোই মানবা খোংনাং লিশীং চাইবা যুকৌযেন
তৌপান মানবা নোংপাক সনা প্রুমযেন
কাতকপা ভাংখুন শিংমিং লাংমিং ফান য়েন
গুরুগী কাইরৈ য়েল্লম তারংনা
শৈয়ি পাবন উকাথক্কা চেক্রানা কাইদোংলগা
চেক্রানা তুফাং যৈ পোনবীনা মথা ফাক্লদনা
মমিং মিংস্না হৈকোই মানবনা অঙানববু চীংনা য়েং
চেক্রানা মঙক চেপ্পা থাঙলদনা, ইরুংনা কেক্রেক কে য়াগ কৈরক্রে
পোনবী মামং খোংলকপদা, য়োইময়াই অঙান তাউদনবা

অঙান মানা চীংখৈ ফিতুপ, হুন্নকপা
খোংদিং লৈনা কাংলকপা খোঙলোন মাপন, হাংলকপবু
তাইবংপানবনা চীংখৈ ফিতুপ মরোন অহুম হুন্নক্লে
খোংদিং লৈনা কাংলক্লে হায়না ... থানৌদ্র লাইখিংখৌ।
থবীননা ননকদে থবাকন -কানফদে, গুরু হৌদন্নো
ভরাংখী ভাংলৌ লৈনা খেংবদদি
চীঙু ইবুংঙো ইকেম্নবু -হুরাও মথোইদকা
খেক্নফুং মরাঙঃ হৌদনা ভরেং মনিম যাইদা
য়াংলেন মরাঙ হৌদ্না নমোইখেন নমৌইলাং
ওইনুদনকোকগেকন মোইবা জগোয়না খুংথেক্লৌ
মাদৌ খুপাকিনদা চীংঙু নপাউ শায়বদু
খোইযুমগী নপাউ জোইদে হায়দনা
অশোনবনা মরাঙ হৌ অকমবনা মথি কোংদনা শায়রবদু
ননাইশিংনা ফিজিভোম্না ফিনাভোম্না হুম্না শোকপবু
নুংওন য়ারৌবিপদু হায়দনা, ভরাং মুখিদাংগী ভাংলৌ লৈমা খেউবদা
ননাই অশেবা লৈদুং নোংখাংবা থাকক ভশৈবা
মোইখাই থাবুবনা লোয়শঙ ফাম্লুং, চেকপ লৈথৈ লাকপনা
লযুং ফমদিং ফম্বাল্লাংবু ফলকয়বগা, গুরু চৈজিংয়েংনা পায় পলেম্ন
ইমা খাদ কোল্লগা, য়াব্রা খোঞ্জেনবু লু-রু-লি-রি হায়না
ইনুং শীংখোও নাউথেমজবদু, য়াহিগুম লৈনিনজম, হয়াউগুম
মিতম লোনা, গুরুবু নাওথেমজবদি

অঙান তাংলৌদি থেঙলব মীচিক মীরাওখোন তাদবা কানদা
গুরবু নাওথেমজরম্বনিদো।
হৌজিক ইন্নুং ঙাল্লক্রবসিদদি, গুরুবু অমুক হৌরো হায়না
ইন্নুং যাকৈজরি, ননাই ইথ্রাকমনা করিস্নু থঙবা নম্ত্রে
গুরুগী যারা চীনগোইবু লৌনা, হযি হযা হায়না ইন্নুং যাকৈজবি।
চীংঙু ইবুংঙো স্নরিক কাংখন্নুং, ক্যাবগী মোন্দুম মোন্তেকথক্রা
শিনৌ লশিং তিনগুম্না লাইবেম্না কোংঙোন যাংতাববদা
নদাইরেম্না থাকন লৈনা হাইথজরম্বা, চোম্বং লৈনা খানথজবম্বা
তেনৌ শোজৈ লোল্লম্বা পুকুং শোজৈ থাবম্বা
নদাইরেম্না সনা শোজৈ হাংজরগে, লুপা শোজৈ কাংজরগে
তুবী লাবা য়াওল্লসে লাইরেন লাবা মীকপ থোক্রসে লাইনিংথৌ।
নদাইরেম অমাইবা পাণ্ডিত মকোই পাওনিংশিং
লাইবিক শাখোন মরিন ঙম্বা অহুম্মক্রস্নু
নদাইরেম অহুম্মক্রস্নু শীংলেন লরাং লৈহুন তম্নগে
তাউজিং হৈরাং কংলগে হাযজিল্লক্লে লাইনিংথৌ।
চীংঙু নংগী নদাইবেম, অমাই শীংকোক ফম্বী, খোম্লেন মংজুম থৌবী
খোইযুম নংগী নমাহুবী ঙানোই শারনবী
লেংখাঙ অরাংবী চিনবী শজি লাংকাম্বী
লমযাই কাইথিন তম্বী, তারা চাকশেংচাবী
চবৈ ফিঙৌ ফিশেং শেংপী নদাইরেমস্নু
শরিক লাইচই পায়না চীংঙু নংগী নপাউখোল

হোবী হোবী লাকচদনা হৈরাং পুঙগা থোল্লক্রে
লুক্লেন পাংগা চোম্না কৎচবক্রে গুক হৌরসি
য়োই মযাই অঙানবনা কাখৎলকপদদি
অঙান্না ঙাংনা কাবক্লে মঙাং গুক কোরে, ব্বাংলক্রে লুব্বাং গুক হায়বক্রে
শিন্নৌগী লংথোক তবেংগুম লৈনা লানা কাখৎলকপদদি
নোংপোক সনাচীংদোমপোক চীংশা মাপনদা কাখৎলকপদদি
মযম কবো শেনবী মতোন স্নাক্সব্বু, অঙান কান্না চোংগে হাযরব্রে।
শেনবী চীংজাউ তুবৎ নাতৈ শমগে হাযরক্রে
নিংথি ঈ মক পুথম সন ঈদা পোকপা, নিংথি অঙ্গো অঙ্গোচীং
লামন অঙ্গোচীং ফেৎপ নাতৈ শমগে হাযরক্রে।
তবেংলাক শাম্বুকোন মাকং থম্নাপোক লাইবাকোন
লৈক নৈশাংপাংপু অশান কান্না চোংগে হাযবক্রে।
লামন হবুং চীংযাই খাযনা চোংগে কাখৎলক্রে।
ব্রাংলক্রে লুব্রাং গুক হাযবক্রে কবে শেনবী পুঙদা কব চেনা
তলা অঙনবা পামেন চাওথোইবা, শেনবী চীংজউলক্তা কাইদোংশী
খেউলক্তা চাক্তাবী শেনবী কবো থাংললক্রা চাকোকপী
কবো শাম্বা লাইবৰীগা মশোম্লোই,
ন্নুবা শুংগ্রি, লৌঙাকপীনা শুনবা চেক
মথিক্লা লাংজিং থারিকপী, মনম্না লৌশ্নি শুংদাই মানবী
মমৈনা ব্রাইরা শেঙ্গা মানবী, মচীন্না তেল্লোই যোৎকোন চেক্কুবী
মখোঙ নোংম্ম শাবী, মমিং হকোই মিংস্ন, তরংলাইজ ঈবাচন্না

খোইযুম নংগী নপাউস্থ শিস্থাক্লগে, হাযজিল্লক্লে লাইনিংথৌ।
গুরু হৌরো হৌরো, নদাইরেম খুনবুক নচা ননাই পুম্নমক্কা
শাগৈ হৌনা পিবা হৌনা নিংথৌনা চম্ম হৌদনা
চীংঙুববু হরাও মথোই কারকপা থেনবুং মরাং হৌরকপবু
ঙসি কোরৌ মুমিৎ ... নি . নি শুজিল্লকপা অসিদা
নদাইরেমশিংনা চীংঙু ইবুংঙোগী হরাও মাথোই কারিবসিদা
খুঞ্জাও লৈচাওননবা চাহোঙ ডাহোঙননবা
পান্নাও শিংনাও তাননবা হাযহুনা হরাওজববু
চীংঙু ইবুংঙোদা খৌনিজগে হায়দনা
ঙরাংগী তাংলৌ লৈনা থেঙবদা পলেম মানবীশিংনা
মচেম লৈমা ওনহৈদবী ওন্দম পুঙ, মনিম্ম লৈমা শিনহৈদবী শিন্দমপুঙ
মপারি চাওদববু নাউয়োকপুঙ মমোম শাংদববু শিন্দমপুঙ
অরাং মাইবা থাঙঙমপাৎ মকোক্কা থৌরৈ লাইচুকোন,
মতোম্না কোরৌ নোংফংলেন, মপু লাইচোন সনা কৈথেল্লেন্দা
পলেম মানবীশিংনা তরেৎ শেঙ্গা পাযদনা
হৈবাং অশেংযেং, তাওজিং অমুন খন্দনা,
অযুক কাইরৈ যেন্দা অঙনবদা
উতি শমখোঙ শেংজগা চেংহি শম্বান লাংদনা
খুগা নানবী রাশমচেৎনা শম্বাং কংনা নাম্থোক্লগা
চরৈ ফিশেং শেত্তুনা চীংঙু ইবুংঙোদা
খোইযুমগী ষ্মাহৌরকপদা হৈরাং লুক্রেন নংননবা হায়না

চীংগু ইবুংঙো খোইযুম্বু, মযুম কবোগী ফুরাতরা লাইও
যোইমযাই লুমিং থোরক্লে, অঙানবা থবীনা ননগনি থবানা
কানগনি হাযনা, চেক্লা শংনা হেনবী তেনরা কৌবীনা
ইন্নুং চীংখোঙ যাকৈরকপবু, চেক্লানা তে-তেৎ হাযনা
যাকৈনৈদো লাইংথৌ।

অঙানবনা রাংনা কারক্লে লুরাং পুন্সিবা কৌরক্লে
মযুম পোইবৈ মৈতেনা রাংননা কারকপবু
বাংজিং লোকলুখুম হুপ্নৌ তরেংকোন কোয়ে।
লোমরন অশুপ্পদা কৈবা চেক্লাদি --
লোক্লমা লোকনিংথৌগী মফমদা কৈজবা চেক্লাদি
চীংগী খুন্নু লম্লৈনা তম্পাগী খুন্নু খৌপোংবী, লাংজিং খুন্নু থাবিকপী
শাযবা লিক্লংলিক কাংগোনথক্তা তোংলগা
চেক্লানা মখৌ ইপোঃ পোংলগা, মমিং হৈকোই মানবনা
অঙানবু চেপ্পা যেংলগা, লোকনিংথৌ লোক্লেমা গুরু হৌরসে হায়দনা
চেক্লানা পঙ্কম স্থব লৌথুনা, পোনবীনা মদোম বুক্রু কু কু হাযনা
ইন্নুং চীংখোঙ য়াগা কৈরক্লেদো লাইনিংথৌ
ইযুম পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা কৈবা চেক্লি
খিংবাই নিংথৌ শাইওনচেক, চেক্লা লোইবী হেম্বা অমুবী কাক্লা
মৈতৈগী যুমথোঙ খুদিংদা, চেক্লানা চেপ্পা চেপ্পা হেংদনা
কাক্কী লানবাও চেল্লক্লে চরোইনা তেতু খোংলক্লে।
কাক্লা লানবাও চেল্লক্লে হাযবদি পোইরৈ কদৌনোংগীনো হাযগনি

পোইরৈ ভেংথাবা রাংঙম হাইমন তানবনা শীংথাবদি
লোইবী যানা মদোম খোংবা নত্তে।
হে তাইবং! হৌরো হৌরো
য়োইময়াই অঙানবনা শিদয়াই, নাদয়াই শারম চংলে শাকুয়াই লাল্লম
চংলে লালকুয়াই, য়ামজেং পোংকায়াই পলেম পীকং পাকংয়াই
নপারি চাওদববু চাওয়োকয়াই, নমোম শাংদববু শিন্দময়াই
পুরক্তুনা অঙানবনা কাখংলকপসি
তাইবং অপংবা নখোইনা য়াহৌত্রিভৈদা
চেক্লা পোনবী কযানা যাহৌত্লনা, মঙাং লাইনীং হনবনা পুন্নকইবা
শিদ নাইযাইসি চুপখিত্রনা, তাইবং নখোইগী শকক ফংহৌররোই
নপাবি চাওদববু পুন্সিনবা, নমোম শাংদববু শাংননবা
থবীনা কাগুম কাহৌনবা, অঙানবনা রাংবগুম তাইবং রাংননবা
গুরুদা থৌনিজররো হায়না, কাক্লা তোইনা তোইনা খোংবত্লবু
কাক্লা লাবাও চেনবা হায়না, পোইরৈ ভেংথানৈযে লাইনিংথৌ
থিক্রৌচাম্বা যাহৌরক্রে, অরাংলোমদা লাইরেন লাবা যাওল্লক্রে
কাংগ্রৌলাবা মীকপলক্রে হুইথৌলাবা খোংদল্লক্রে
কাওরেন শস্থৌ লাবা চীফেংগে হাযবক্রে
পোনবী চেক্লা খুদিংমক ইন্নুংনা যাহৌরক্রে লাইনিংথৌ
পাম্বা কৈরেন অথৌবনা কোবৌ ইন্নুং শোইবা চাক্তাকববু
যোইময়াই অঙানবা কারক্রে হাযদনা
পাম্বনা শা-থুপ্লগে কৈরেম্না নারোংলগে

হাইবং পানবা জীব উনগনি হায়দুনা
হমক্রে নারোয়ুংদা পাম্বা থুপচ নাখ্রে লাইনিংথৌ
রাকোম্না জগোই শাগে হায়বক্রে
চেল্লা লাংমৈ মচানা শাপপ তাগ হায়বাক্
রাহোংনা খোঙথাং তমগে হায়বক্রে লাইনিংথৌ ।
ইযুম পোইরৈ ইরৱেন চীংঙু লমদা কৈনা চেল্লাচাদি
লৌশিং লৌখৈ নিংথৌ অপানবা
চীংথা চৌহিরেং চাবা বাইনু চেংঙবাজ অপানবন্নু
চীংঙু খোইযুম লাইযিংথৌ, থবীবনা ননগনি থবাবনা কানগনি হায়না
চেক্লানা মদোম গো গো হায়না খোংতুনা, গুরু য়াকৈরক্লে
লৌশিপাৎ থম্নাংখোং রাইথৌ খমপুংশোই
শিগোং চন্দ্রখোং নিংঙেন তবংযৈ, ঈকোপ লম্মহন ঈশোক লাংথাথেন
লোক্তাক ঈশা মাপন, ইযুম খুমন মোইরাংদা কৈবা চেক্লাদি
নম্ মীবোন অতোম্বীনা ওনবা চেক, চেল্লা কোক্তোন অঙাংবী
হাপ্পী পাম্বী মরক্তা চাক্লাবী, যুমদি থক্তা যাহিপ্পী চেক্লানা
লোক্তাক ফুমদি শরেন যুম্বৌথক্তা তোংলগা
তাংজ মক লুক্লা মাযকৈ মবি যেংতুনা, পোম্বী চেক্লা উথুম্না
চীংঙু ইবুংঙো মোইবাং থাংজিং কোইবেল্লাই
খুমন থিনবী খল্লোংলাই নিংথৌ পূম্নমকপু, হৌবো হৌরো হায়না
চেক্লা উথুম কোৱীনা তুম-তুম
ইনুংনা চীংখোঙ যাগ কৈজবক্লে-লাইনিংথৌ

ইথুম পোইরৈ অব্রাংদা কৈবা চেক্তি
চেক্লা কাংঙাচানা, চেক্লানা গো-গো হাযনা
ইন্নুংনা চীংথোঙ যাগাজবাক্ল লাইনিংথৌ।
থুমন গুরু পুন্সিবনা কোইবা লম, তথেন মীরৈপুঙ মবাং মীদমপান
কাশিরাজ ঙমঙন ঙমথংননা, কোনবা লমদা লৈবা চেক্রা চাদি
তুলসি বন্দা যারেকপী হৈনৌ বন্দা চাক্তাবী
ফাইরেল লমতা বসন্তা খুতু লৈপান্থাদা, চেক্লা নোংইন কোকিনশিংনা
মবুংঙো মবেম্মগী ইন্নুং শোইবা বাস লিলা শান্নবদা
বৃন্দাবন্দা যোইময়াই অড়ানবনদি কাথংলক্রবদা
মবুংঙো মবেম্মগী বাসনদি, ভঙ্গিগী মতম মপুং ওইরক্রবদা
থবীবনা নল্লনি থবাবনা কানখিদ্রনা, ইবুংঙো ইবেম্মগী রাস লিলাবু
কাযখিবা তাবে হাযদ্রনা, হৈরাং পাম্বী চেক্লা
লৈরাংনদি পাম্বী পোনবীনা, হৈরাং মপালবু শমু যাদা চিকশিল্লে
চেক্লা মথা ফাক্তা খোংশি, হৈরাং তাখিগদ্রা পাম্মুজবনা
পোনবী মথা ফাকচদে, চেক্লানা কন্না খোংবসি মবুংঙো মবেম্মা
তাবোইদ্রা হাযনা, চেক্রানা পঞ্চম স্বর খোম্থাং লৌদ্রনা
চেক্রা কোকিল লাবশিংনা কুহু কুহু হাযনা
ইন্নুংনা চীংথোঙ যাগ কৈজরি লাইনিংথৌ
নদাইবেম ব্রাকমা শিল্লেরোনবনা, গুরু চৈজিং যেত্তা পায
পদেম ইমা থাদা কোন, শামৈ অনি লিয়েৎনা শম্লাং
অনি লিরৌননা, নথাই তেংখন পেনা থাংগা থাদনা

লু-ক লি-বি। লি-রি লু-ক হায়না
পোইরৈ শৈশকপা ব্লাংঙম তেংথাবনা
চেক্লা ভুফ মরিলক্তগী মচেং খোল্লে চেক্লুম্বা
চেক্লাগী চোচোবীচাক ওইদুনা, পোনবী লোনদি লোনখঙদা
চেক্লা লোনদি লোম্হোত্তবা চেক ওইদনা
ননাই ব্রাকমনা গুরু হৌবো হৌবো হায়না
ইন্নং চীংখোঙ য়াগ কৈজববু লাইনিংথৌ
নদাইরেমদি কবি খঙজবা নত্তেদো
নদাইরেম্না কৈবা নত্তে, গুরু ইপা ইমা মালেম লৈন্নুংহনবনা
গুরু যাব্রা শীংথারকপনি নদাইবেমদি গুরুগী থৌগন হৈনা
মতুংইনজবকপনি, নদাইবেম কবি খঙজবা নত্তেদো
চাংঙ ইবুংঙোগী মতিক অঙনবা, খোইযুমগী নংগুন অচৌবা
তাইবং কনানবু শীংথাবা লোইগনি, চীংঙ নগুন চাওবা লাইনিংথৌ
নগুন হকপা গুরুদি, তাইবং মীপোক মীহিং শেম্নকপা
পবিং খুংগু পাযনা, সনা লমজৈ লুপা লমজৈ পাযনা
মালেম পবিং লংলং থাবকপা, উ কাক মাইথোঙ য়াল্লকপা
মাইকৈ মবি শুংদাই নিপান, পোইবৈ শীংগাই হুফমাথোই
লৈথক লৈখা লাই কোটি কুম্হ্রাহুমদোইবু
শিন্নাক শিন্দমজবকপা লাইনিংথৌ ইবুংঙো
গুরুগী ফম্মাং থৌগন ফংজবদি, নদাইরেম করি হাযনা শীংথাগনি

নদাইরেম্বু শুকনা কাওরেন কাব্রা মিংমেৎখ্রবীগনু
শম্বৌলাবা মিংয়েং তম্বীগনু
পায়মা ননিংশা খাম্বী মৈরেং অমাবগুম্বা
ননাইদা য়রেনা থিংকামনবীগনু
নদাইরেম্মা খুবাক চাংজৌ তরানা
ইচু কাইনা নীশিং শয়াং লখা অমনা
চৈরে ভক্তা হুক ঊয়া নাপী ফনা চিক
ঊপন কোংয়াংরানা কৈনা তাবগুম
নদাইরেম্মা পুনেম্মজরি লাইনিংথৌ।
নদাইরেম্মা চীংঙুথোগন তৌজবদি
করিন্থু খঙজবা নত্তে
হয়ি হয়া হুয়ুম ময়েক অহম্মা
নম্মইনা থোগন তৌজবি লাইনিংথৌ।

— { ** ** } —

ফোঙথবা লাইরিকশিং ঃ

১। লৈমরেন সেক্লীং।
২। খম্মোই য়াংমোই।
৩। খম্লাং পরাবী অহুইবোন।
৪। থোৌরানথাবা হিবান।
৫। নোংশ্রং।
৬। অরিবা মৈতৈগী শৈথা।
৭। অরিবা মৈতৈগী রামায়ন।
৮। বীরবাহু তবা।
৯। সনামহি লাইহুই।

পিপলস' ম্যুজিয়মনা ফোঙথবা লাইরিকশিং —

১। কাথা।
২। মনিপুরদা চফু।
৩। সোভেনিয়াব।
৪। চন্দ্রপন্থ।
৫। শল-কাণ্ড।
৬। য়াকৈবোন

মমল ঃ লুপা ৮ (নিপান)